ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




আষার শুক্ল পুর্নিমা নুমিৎতা শঙ্গাইপাৎতা লৈবা মণিপুর সংস্কৃট মহাবিদ্যালয়গী প্রাঙ্গন্দ মহাবিদ্যালয়গী ওজা অমদি মহৈরোয়শিংনা মণিপুর সংস্কৃট পরিষদকা লোয়ননা পাঙথোকপা গুরু পুজাদা মোইবুং খোংবা


থম্মোয় পাউদম : মণিপুরদা থিয়েটর ইকোনোমি ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ লাউ য়েংলুসি লাউ, ৱাৎপা কৌবা লৈতবা মীতৈ ...

মণিপুরগী নীংতম্বসু য়াদে, নাগালিমসু য়াদে, কুকিগী ... ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ মীতোপ-মীয়ানচা খন্দোকপদি তৌদনা সেন্সস ...

সেন্সস পাঙথোকপদা নেশনল পোপুলেশন রেজিষ্টর... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ দুরান্দ কপকী ১৩৪ শুবা ট্রোফি টুর অমসুং...


কংলৈপাক ন্যুজ তেংবাঙ লূপনা খাঙবোককী রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরম্বদগী লৈখিদ্রবা শুগুনু খাইদেম লৈকায়দগী খাইদেম টাইশন মৈতৈগী লান্ন-থৌরমদা মতেং ওইনবা অঙম্বা শেল খূৎশিন্নবা




Vol. 49, Issue No. 101 | ইরাই, ইঙেনগী ১৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Friday, July 11, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# মণিপুর য়াওনা ঈশিং-ঈচাও অমসুং লেন্দস্লাইদ মায়োক্লখিবা ষ্টেট ৬তা সেন্টরনা লুপা ক্রোর ১,০৬৬ তেংবাঙ পীবদা অয়াবা পীখ্রে

## তেংবাঙ শেনফম অসিগী মনুংদা মণিপুরগী লুপা ক্রোর ২৯.২০ য়াওরি



মণিপুরদা হন্দক মায়োক্লখিবা ঈশিং-ঈচাওগী এন দি আর এফ/এস দি আর এফকী পর্সনেলশিংনা ঈশিং-ঈচাও মায়োক্লরবা মীওইশিংবু রেস্ক্যু তৌদুনা পুথোরকখিবা (ফাইল ফোটো)

**ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচএনএস) :** য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা ঙসি থোকখিবা চেরোল অমদা ঈশিং-ঈচাও অমসুং লেন্দস্লাইদনচিংবা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লখিবা মণিপুর য়াওনা ষ্টেট ৬তা তেংবাঙ শেল ওইনা লুপা ক্রোর ১,০৬৬.৮০গী শেনফম পীবদা অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শেলগী মতেং পীরগদবা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদি অসাম, মেঘালয়, মিজোরাম, কেরলা অমসুং উত্তরখণ্ডনি। ষ্টেট তরুক অসিদা পীগদবা শেনফমশিংনা অসামদা লুপা ক্রোর ৩৭৫.৬০, মণিপুরদা লুপা ক্রোর ২৯.২০, মেঘালয়দা লুপা ক্রোর ৩০.৪০, মিজোরামদা লুপা ক্রোর ২২.৮০, কেরলাদা লুপা ক্রোর ১৫৩.২০ অমসুং উত্তরখণ্ডদনা লুপা ক্রোর ৪৫৫.৬০নি। শেনফমশিং অসি ষ্টেটশিং অসিগী ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফন্দ (এস দি আর এফ) দগী সেন্ত্রেল স্যের ওইনা পীগদবনি হায়রি।

চহী অসিদা মায়োক্লখিবা খা নোংচুপ মোন্সুনগী মতমদা অকনবা নোংজুনা মরম ওইরদুনা ঈশিং-ঈচাও অমসুং লেন্দস্লাইদনচিংবা খুদোংথীবা থৌদোকশিং মায়োক্লখিবগীদমক ষ্টেট তরুক অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী লমজিং মখাদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মপূং ফানা পীবা য়াবা মতেংশিং পীননবা থবক পায়খৎলি।

অমরোমদা, চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক ফাওবগী ওইনা চৎলিবা চহী অসিগী মনুংদা এস দি আর এফতগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১৪দা মাঙজৌননা লুপা ক্রোর ৬,১৬৬.৬০গী শেনফম্না নেশনল ...মখা লমায় ৩ কলম ২

#### কুমজা ২০২৭তা পাঙথোকফম থোক্লিবা এসেমব্লি মীখলগীদমক তাশিন-খোমজিন্নবা হৌরে

# অতোপ্পা পার্টি থাদোক্লম্লগা কোংগ্রেস য়াওরকপশিং শীংজমৈদা তরাম্না ওকখ্রে, এম পি পিদসু অনৌবা মীওইশিং য়াওশিনখ্রে

## বি জে পি হল্লক্লরোই, মণিপুর কনবা ঙমগদবা কোংগ্রেস লৈঙাক লাক্লগনি : পি সী সী মেম্বর ওইনাম রোমেন




**ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা তমথীরবা লান হৌরকখ্রবসু মীখলগী মতমদদি মীয়াম খক্তা নত্তনা পোলিটিকেল পার্টি অমসুং পোলিটিসিয়নশিংনা 'য়াইরোংনা য়াইরোং, সবিরাইনা সবিরাই' হায়বগী থৌওংদা মায় ওনশিন্নদুনা লান অসিগী অকনবা মতম ওইখিবা মমাঙগী কুমজা ২০২৪দসু মণিপুরদা লোক সভাগী মীখল মায় পাক্লা পাঙথোকখিবগুম্না কুমজা ২০২৭তা পাঙথোকফম থোক্লিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা পোলিটিকেল লিদর অমসুং পার্টিশিংনা অনৌবা মীওইশিং তাশিন-খোমজিন্নবা হৌনরক্লে।

থবকশিং অসিগী মনুং চন্না ঙসি শীংজমৈ ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা পার্টি অসিদা নৌনা চঙলক্লবা শীংজমৈ এ সীগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কোংগ্রেসতা নৌনা চঙলক্লবা মীওইশিং অদু কুমজা ২০২২দা পাঙথোকপা ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পি অমদি এন পি পিনচিংবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা মশক নাইবা ফম পুরমখিবা মীওইশিংনি হায়রি।

শীংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা লৈবা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী মেম্বর ওইনাম রোমেনগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## লৈবাক ৫গী খোঙচৎতগী হল্লক্লবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি হৌজিক্তি মণিপুরদা চৎপগী তাঞ্জা ফংলগনি : জয়রাম রামেস

**ন্যু দেল্লী, জুলাই ১০ (এজেন্সী) :** মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা তমথীরবা লান চথরকখ্রবসু ঙসি ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ষ্টেট অসিদা মীৎকুপ খরদংগী ওইরবা ফাওবদা চৎত্রি হায়দুনা অকনবা ৱাফম য়াম্না তোয়না ফোঙদোক্তুনা লাকখিবা কোংগ্রেসকী মরু ওইবা লুচিংবা জয়রাম রামেসনা ঙসিদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অর্জেন্টিনা, ব্রাজিল, নামিবিয়া, ঘানা অমসুং ত্রিনিদাদ এন্দ টোবাগো লৈবাক মঙাগী খোঙচৎ লোইরদুনা ঙসি অয়ূক ইন্দিয়াদা হল্লক্লবনিনা মণিপুরদা চৎনবগী তাঞ্জা ফংলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌজিক ফাওবদা পহলগাম টেররিষ্টশিংগী মতাংদা অচুম্বা পুথোক্ত্রিবা করিগীনো অমসুং মহাক্কী লৈবাক অসিদা মায়োক্লখিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং মাঙহনবগী মতাংদা রিভিয়ু তৌদ্রিবা করিগীনো হায়নসু হংখি। প্রাইম মিনিষ্টরনা হৌজিক্তি পাঙথোক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী মোন্সুন সেশনদা খন্নগদবা এজেন্দাশিংগীদমক খোঙফম চেংনা লেপ্পবা ওল পার্টি মীটিং তৌরক্লগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্না ব্রাজিলগী রিও-দি-জানৈরোদা পাঙথোকখিবা ১৭শুবা ব্রিক্স সবমিটতসু শরুক য়ারুবনি হায়খি।

কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি (ইন-চার্জ, কম্যুনিকেশন্স) ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## অসামদা মণিপুরীশিংগী ওটোনোমস কাউন্সিল পীনবা সিলচরদা খোঙজং চঙশিনখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগা য়ূমথংনরিবা অসামদা লৈবা মণিপুরীশিংনা মখোয়গীদমক অসাম লৈঙাক্না 'মণিপুরী ওটোনোমস কাউন্সিল' পীগদবনি হায়দুনা ঙসি সিলচর সিটিদা লৈবা খুদিরাম বোসকী মীতম মমাঙদা মশীং য়াম্লবা খোঙজং অসি অসামদা লৈবা মণিপুরীশিংগী তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানা পূনশিন্দুনা শেমখিবা মণিপুরী ওটোনোমস কাউন্সিল দিমান্দ কোওর্দিনেশন কম্মিটিনা শীন্দুনা চঙশিনখিবনি।

নুপী অঙাং, মহৈরোয়শিং, নহাশিং অমসুং অহল



মণিপুরীশিংনা শরুক য়াদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ফাওবনা শরুক ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

#### লম্লাই ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা খুল ৩গী লম্বীশিং য়েংশিনখ্রে

## এম এল এনা লম্বী-থোং শেমজিনবীয়ু, তোলোপ খক্তমক ঙাইবীনু : অচোইবম দেবেন

**ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচএনএস) :**

কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা কোংগ্রেস মীরেপ ওইখিবা অচোইবম দেবেননা লুচিংবা লম্লাই ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী থৌমীশিংনা এ সী অসিগী মনুং চল্লিবা কাঙ্চীং, তখেল অমসুং সঞ্জেনবমগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪



## কৈথেল শাদ্রিবা ফাওবা লম্বীগী মতাইদা ফমজগে, তান্থোরক্লবদি খোঙজং চঙশিনগনি



**ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচএনএস) :**

চীংমৈরোংদগীনা লম্লোং থোং ফাওবগী লম্বী নাকলদা পোৎফম ফম্লিবশিংবু দি সীনা ওর্দর থোক্তুনা ফম্বা য়ারোই হায়রক্লিবসি পোৎফম ফম্লিবীশিং অসি নোংমগী চরা তানবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা ঐখোয়গী ফম্ফম পীদ্রিবা ফাওবদি ফমখিগনি। করিগুম্বা ফম্বা য়াহন্দ্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ইমা পান্থোইবী ষ্ট্রিট ভেন্দর য়ুনিয়ন (খুমন লম্পাক) না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা য়ুনিয়ন অসিগী সেক্রেটরি নিংথেমচা ময়ূম নিঙোল সাপম ওংবী ইন্দিরানা হায়, কুমজা ২০১৪দা মতম অদুগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## মণিপুরগী লম্বী-থোং অমসুং লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফত্তবনা দুবাইদা কিহোম মেট্রিক টন ৩০ থানবা হোৎনবদা ঙমখিদে : টি পানমৈ

**ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা পুথোকপা ওর্গানিক কিহোম মেট্রিক টন অমা ন্যু দেল্লীগী 'দেল্লী হট' (আই এন এ) তম্না পুখ্রে।

য়াম্লবা কিহোমশিং অসিবু দেল্লী তম্না পুখিনবগীদমক ঙসি অয়ূক পুং ৭ লোম তারকপদা সঞ্জেনথোংদা লৈবা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেশন লোয়শঙগী ওর্গানিক আউটলেট মমাঙদগী লোয়শঙ অসিগী কম্মিস্নর থাইথুইলুং পানমৈনা লমথাখি।

লমথাবগী থৌরমদা কম্মিস্নরনা হায়, মণিপুরদা মপূং ফানা ত্রেন য়ৌরক্লবদি কিহোম য়াওনা হোর্টিকলচরগী পোথোকশিং মপান্দা থাদোকপা ঙমদুনা ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা মতেং পীরগনি। লৌমীশিংদসু চাউনা কান্নবা পীবা ঙম্লগনি হায়খি। মণিপুরগী মীয়াম খক্তা নত্তনা মপান লমগী মীয়াম্না পাম্নরিবা 'ক্বিন পাইনেপল' হায়না খঙনবা ওর্গানিককী কিহোম মেট্রিক টন অমা অসি মণিপুরগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## জুন থা খক্তদা 'এনভাইরনমেন্ট দে' পাঙথোকপনা মহৌশাগী ফীভম কনবা ঙম্লোই : ভি সী চান্দবাবু




**ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচএনএস) :** চহী অমগী মনুংদা জুন থা খক্তদা এনভাইরনমেন্ট দে পাঙথোকপনা মহৌশাগী ফীভম কনবা ঙম্লোই হায়রদুনা এনভাইরনমেন্ট প্রোটেক্সন পীহৌদ্রবদি মীওইবনা হিংবদা খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরগনি হায়বসি মীপূম খুদিংদা খঙহন্দুনা লেমহৌরিবা থাশিংদসু এনভাইরনমেন্ট কন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়না দি এম য়ুগী ভি সী প্রোফেসর দল্লিয়ু চান্দবাবুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা অঙাংশিংগী দ্রামা 'নুংশি লম্বী'

**ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী লাননা মরম ওইরদুনা উৎলৌগী রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা অঙাংশিংগীদমক কেম্প লেভেল কম্মিটিগা খূৎশম্নদুনা নেশনল স্কুল ওফ দ্রামা (এন এস দি) ন্যু দেল্লী অমসুং প্রোস্পেক্টিভ রেপরটরি থিএটরনা থা অমা চুপ্না চথরকপা চিলদ্রেন থিএটর ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন লোইশিনবগী থৌরম ঙসি রিলিফ কেম্প অসিগী হোলদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা কেম্প অসিদা লৈরকখিবা অঙাংশিংনা শরুক য়াদুনা পুথোকপা দ্রামা 'নুংশি লম্বী' উৎখ্রে।

থৌরম অসিদা নম্বোল এ সীগী এম এল এ, টি ঐচ বসন্তকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা বিষ্ণুপুরগী দি সী পুজা এলাংবমনা ময়ায় তাংবল লৌখি। অদুগা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা নম্বোলগী এস দি ও/বি দি ও, টি শ্যামকুমার, রিলিফ কেম্পকী নোদল ওফিসর ওইরিবা নম্বোলগী এস দি সী, টি ঐচ সম্ভুনাথ, বিষ্ণুপুরগী জেদ ঈ ও ওইরম্বা এম এল এগী পি আর ও, এন চীঙ্খৌ, মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী ঈ জেদ সী সী কোলকটাগী বোর্দ ওফ গভর্ণরগী মেম্বর বুদ্ধ চীংথাম, এন এস দিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## চহী অনীগী ফাদোক পীখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচএনএস):**

কুমজা ২০১৯দা শীংজমৈ থোকচোম লৈকায়দা লৈবা খোইস্নাম ইবোহল (৬৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ ওমোরনা মহাক্কী অশানবা কাদা লৈবা মতমদুদা চহী ১৬ খক্তা ঙাইরিবী লৈশাবী মচা অমদা ফজদবা থৌওং অমসুং ৱাহৈশিং শীজিন্নদুনা সেক্সুএল হরাসমেন্ট চথুখি হায়বা ওফেন্সকী মতুংইন্না থা অসিগী ৮দা লম্ফেলপাৎতা লৈবা ফাষ্ট ট্রেক্ট স্পেশল কোর্ট নম্বর ২ (মণিপুর) গী জজ দল্লিয়ু তোনেন মীতৈগী কোর্টনা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রবা মীওই অসি চহী ২গী ফাদোক পীখ্রে।

ঙসি কোর্ট অসিদা মহাক্কী সেন্টেন্স হিয়ারিং পাঙথোকখি। কোর্টনা নাকল অনীগী কাউন্সেলশিং অমসুং কে ঐচ ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# 'লৈঙাক্না য়াম্না ঙন্না ৱারোইশিন পুরকপা য়ারবসু পুরক্ত্রবনিনা রিলিফ কেম্পতা ৱানা লৈরক্লিবা ঐখোয়না মীহুৎশিংগী ৱাফম তানীংলক্ত্রে'

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
**হকথেংনবা পাউদম**
কাংপোকপী পুলিস ষ্টেশন মনাক্তগী খুঞ্জা

**(ঙরাংগী মখা...)** লান হৌরকখিবা নুমিৎ মে ৩, ২০২৩গী নুমিদাং পুং ৮/৯ লোম তারকপদা মোটোর সাইকল য়াওনা জীপ-কারনচিংবা গাড়ীশিংদা পীক থন্না তোংবা কুকিশিংনা লাউদুনা লাক্লগা কাংপোকপী পুলিস ষ্টেশনগা নক্কনা লৈবা মীতৈগী য়ুমশিং মৈ থাবা হৌরকখিবনি। থৌওং অদুদা ইচাশিংদি থৱায় হিংনবা লোইনা চেন্নখ্রে অদুবু ঐদি চেনখিদে। ঐনা চেন্দবা উবদুদা ইচাশিংনা বাবা নহাক শিবা তারে হায়দুনা পাখৎনখি। কুকিশিংদুনা মখোয়গী লোলদা ৱারী শানদুনা য়ুমশিং অদুগী মরক্তা করম-করম্বনা মীতৈগী য়ূমনো হায়দুনা মখোয় মশেল হংনখি। অদুগা মৈ থাবা খক্তা নত্তনা মীতৈগী য়ুমশিংদা



লৈরম্বা পোৎ চৈশিং পুথোক্তুনা থুগাই-য়ানখাইবা অমসুং মৈ থাবনচিংবা তৌরকখি।

ফীভম অদুদগী থৱায় হিংনবা চেনখ্রবা ইচাশিংনা ঐহাক ইথন্তা লৈহৌবদুদা অমুক হন্না ঐবু লৌবা লাকখি। ঐখোয় মীতৈশিংবু অসাম রাইফলসনা মখোয়গী কেম্পতা পুখি। মতমদু ফাওবদি মীতৈগী য়ুমশিং পাক্তক্লনা মৈ থারবসু ঐগী য়ুম ফাওবদি মৈ থাখিদ্রি। য়ুম-কৈ থুগাই য়ানখাইদুনা মৈ থাবা লাকখিবা কুকিশিংদুগী মশীং য়াম্মনবনা অসাম রাইফলশিংনা ঐখোয়বু শাফনবনি হায়দুনা লাইরৌ তান্না পুখি।

লাইরৌদা লৈবা সিফাইগী কেম্প য়ৌবদা পূন্সিদা অমুক্তা চারক্ত্রিবা চগেমপোম্বদৌনা তৌবা চাক্কা এঞ্জাংগা পুল্লপ থোংজিনবা চাক ঐখোয়দা পীজখি। মফম অদুদা নুমিৎ হুম্নি থল্লবা মতুং ঐখোয়বু আর্মিগী গাড়ীশিংনা চপ্লগা সেকমাই তান্না পুবীরকখি। সেকমাই য়ৌরকখিবা অদুসু অয়ূক-নুংথিলদা ঐখোয়বু পুরকপা ঙমদবদগী নুমিদাংদা পুরকখিবনি। ঐখোয়না সেকমাই য়ৌবদা নুমিদাংগী পুং ৯ তারে। মফম অদুদা ঐখোয়বু সেকমাইগী মীয়াম্না নীংথিজনা ওকপীখি। (মথং-মথং)

#### খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মপাউ-১১

## কৈথেল ফম্লগা য়ূম পুজরিবা ঐখোয়গী শেন্মীৎলোন পুমশি শিরে, লান লোইশিল্লো



নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী নুপীশিংগী শেন্থোক লম্বী অমসুং হিংনবগী পাম্বৈ ওইজবদা নত্তনা মালেমগী মনুংদা নুপী খক্তগী খ্বাইদগী চাউবা কৈথেলনি হায়রিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী তোঙান তোঙানবা কৈথেল শঙশিংদা মখল কয়াগী পোৎ-চৈ য়োল্লিবীশিংগা উনদুনা মখোয়না ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এক্টিভ কেস ৩৪

**ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচএনএস):** কোভিদ-১৯ লাইচৎকা মরী লৈনবা লোয়শঙগী ওফিশল অহুম্না ঙসি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## নোংমৈ কাপশিল্লম্লে

**ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা উরিপোক খোইস্নাম লৈকায়দা লৈবা ডাক্তর কোঞ্জেংবম ধনচন্দ্রগী গেটতা নোংমৈ রাউন্দ ২/৩ কাপশিল্লম্লে। মহাক জেনিমসকী মেদিসিন দিপার্টমেন্টতা লৈরম্বনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## য়ু জি অহুম ফারে

**ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমগী মতুংইন্না ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা প্রিপাক-প্রোগী সরাংথেম গোবিন এলিয়জ মরু (৩৬) কৌবা ফৌগাকচাও ইখাই অৱাং লৈকায়দগী মীওই অমা মহাক্কী লৈকায়দগী মোবাইল ফোন অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫